# কবুই ‘গান-ঙাই’ কুম্মৈনা লাকপদা

লনবোন কবুই



*ৱাকচীংগী* নোংমা পানবদা কবুই খুলশিংগী ‘পৈকাই’গী অহল-লমনশিংনা খুলদা লাউথোরক্লনি ‘গান-ঙাই’গী পাউজেল। ৱাকচীংগী ১৩নি পানবা নুমিত্তা গান ঙাই কুম্মৈ হৌরগনি। গান ঙাইগীদমক চান-থক্লবা, শেৎন-ইন্নবা ফিজেৎ-লৈতেং শেম শাবা হৌরো। চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং লাকপা ‘গান-ঙাই’ কুম্মৈনি। থা খুদিংগী কবুইশিংগী কুম্মৈ লৈরম্মী হায়না ইপা ইপূশিংদা হায়রম্মী অদুবু অওনবা মতমগী মতুং ইন্না তৌদবা য়াদবা কুম্মৈখক্তং তৌবনি হায়না তাকপী। অদুবু হৌজিকসু মতমগী মতুং ইন্না খরা ককথখিবা য়াই।

অদুবু খ্বাইদগী লুরিবদি ‘গান-ঙাই’গী ৱাহন্থোক অসি কবুই ফুরুপশিংনা অমত্তা ওইনা খঙমিন্নবা মথৌ তাব্রা হায়বা ৱাফমসি লাকই। মতাং অসিদা কবুই লোন্দা ‘গানমৈ’ হায়বসি মীতৈলোন্দা ‘অঙানবা’ হায়বনি। অদুগা কবুই লোন্দা ‘ঙাইমৈ’ হায়বসিনা মীতৈলোন্দা ‘‘কুম্মৈ’’ হায়বনি। অদুনা ৱাহৈ অনীসি পুনশিনবা মতমদা কবুই লোন্দা ‘গানমৈ+ ঙাইমৈ’ হায়বসি মৈ-মৈ অনীসি লৌথোক্লগা ‘গান-ঙাই’ তাখিবনি। অসুম্না মীতৈলোন্দা মঙালগী + কুম্মৈদগী ‘মঙালগী কুম্মৈ’ হায়না হন্দোকপনি।

‘গান-ঙাই’বু ‘মঙালগী কুম্মৈ’ হন্দোক্তুনা অমদি মালেমগী লোল খুদিংমক্তা হন্দোকপদা মায় পাক্কনি। গান-ঙাইগী ৱাহন্থোক মপুং ফাগনি। কনাগুম্বা অখঙ-অহৈশিংনা গান-ঙাইগী ৱাহন্থোক তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন্দা হন্দোক্লম্বা কয়াসু লৈতবা নত্তে। অদুবু অশেংবা অচুম্বদুদি ঐখোয় খঙমিন্নবা তাবনি।

মীরোন্দগী কবুই ফুরুপ অসি লাইগা মীগা শম্নরিঙৈদগী লাইয়ামশিংগা কবুইগী পাখং ফালদা হৌমিন্নরকপা ৱারী কয়াসু তারকই। অদুনা কবুইগী ইপা ইপুশিংগী মমিং লাইওইখ্রবা : - টিংপুরেংশোন্নং, রমঙমপৌ (কবুই শলাং মাইবা), কবুই তোম্বা, মখোয়শিং অসি মী ওই, লাই ওই, তৌবা অঙক-অঙকপা তৌবা ঙম্বা মপুগী থৌগল ফংলবা লাইওখ্রবা কবুই ইপা ইপূশিংনি। ঐখোয়না মখোয়গী মচা মশুশিংনি। হৌজিক্কী মীরোন্দা মমিং খরা পল্লবদা - হাইপৌ জাদোনং মলংমৈ কবুই অমদি হাইপৈ রানি গাইদিনলিউ পামৈ কবুই পনবা য়াই।

গান-ঙাই কুম্মৈ অসি অহানবদদি নুমিৎ ১০ নি পাঙথোক্লরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি অয়াম্বনা নুমিৎ ৬নিদা লোইশিন্নরে। অদুবু খুল খরনা নুমিৎ ৫নিদা লোইশিবা অমদি ৩নিদা লোইশিনবসু য়াওরে। মসি মতমগী মমল খঙদুনা গান-ঙাই কুম্মৈ অসি নোংমখক্তং তৌরকপসু য়ারিবনি। গান-ঙাই হৌবা নুমিত্তা মৈবা চিংদুনা মৈ তশেংনা পুথোক্তুনা (মৈশেং পুথোক্তুনা) য়ূম্নাক খুদিং চঙদুনা পাখং ফালা মৈ চিংদুনা মৈশেং পুথোক্তুনা য়ূমথোঙ খুদিং য়াইফ পাউজেল পীবা চৎলি। ঙসিগী মৈশেং অসিনা নাদ-য়েক্তুনা লৈয়ুকো, নুংঙাই য়াইফনা লৈয়ুকো, অমুক গান-ঙাই কুম্মৈ লাক্ত্রি ফাওবা মৈ অসি মুৎহনবা য়াদে। মৈ অসিনা পাঙ্গল লৌশিং থোক্তুনা চাওখৎপা, শাঙম-লানঙম্বা ওইদুনা মীকোক ওইয়ুকো হায়দুনা কবুই খুল খুদিংমক্কী য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা য়াইফ পাউজেল অসি পীদুনা ঙসিসু চৎলি।

অদুগা গান-ঙাই লোইবা ৬নি শুবা নুমিত্তা খুলগী অহল-লমনশিং অমদি পাখং ফালগী মীওইশিংগা পুন্না খুলগী *দানশানপুংদা* খুলগী মীয়ামগী থৱায় মমি কৌশিন্দুনা (কাইলোংবু কাওনা) মৈবা চিংদুনা মৈশেং লৌদুনা খুলগী য়ূমথোং খুদিংমক্তা মৈশেং অদু য়েন্দুনা অমুক গান-ঙাই কুম্মৈ লাক্ত্রিবফাওবা মুৎহন্দনবা অমদি মদুদা থোং-থাক্তুনা চাগদবনি হায়দুনা পাউতাক পীরম্মী। *অদুনা গান-ঙাই কুম্মৈ অসি হেক হৌবা নুমিত্তগী লোইবা নুমিৎ ফাওবা মৈরা চিংদুনা মৈশেং পুথোক্তুনা লোইশিল্লি। অদুনা কবুইশিংগী মরু ওইবা ৱাফমদি মৈবা চিংদুনা ‘মৈ’ পুথোকপদুনি।*

তাইবঙ শেম্বা মপূ ইবুংঙোনা তাইবঙদি শেম্বীরে। অদুবু তাইবঙ মীওইবনা শীজিন্নগদবা মৈদি পীবিদ্রে। তাইবঙ মালেম ফম্বাক অসি পুম্মম মন্নম্মী। মতম অদুদা কবুই ফুরুপকী *লাই ওইখ্রবা ইপা ইপূশিং অদুনা মৈরা চিংদুনা মৈ পুথোকখিবগী কুম্মৈনি।* অখঙ-অহৈ খরনা গান-ঙাইগী ৱাহন্থোক তোঙান তোঙান্না পুথোকখিবা/ফোঙদোকখিবা ৱাদনি। মখোয়শিংগী ৱাহন্দোক অদুসু লাল্লি হায়বদি নচ্চদে। হায়বদি গান-ঙাই কুম্মৈ মনুংদা মীওইবনা পোকপদগী শিবগী ফাওবা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পূন্না পাঙথোকই। অদুনা লৈখিদ্রবা ইপা ইপূশিংগী থৱায় মিরেলশিংগীসু ইকায়খুম্নবা উত্তুনা অচা-অথক কৎলি অমসুং জগোয় কয়া কৎলি। অদুনা গান-ঙাই কুম্মৈ থৌরম কয়ামরুম পুনশিন্দুনা পাঙথোকপা কুম্মৈনি।

অরোইবদা, মমাঙদা পাউচে কয়াগী খুত্থাংদা গান-ঙাই কুম্মৈগী নুংগী ওইবা ফজরবা ৱাহনে দাক কয়াসি ইদুনা ফোঙজখ্রবনি। অদুবু কবুই মীয়াম্না চমম্নদুনা লৈরিবা অসিমক্তি লাইবক থীবনি। অচুম্ববু অচুম্বনি হায়নিংদবা, অরানবু অরানবনি হায়বা ঙমদবা কবুইশিংগী ৱাখন্দা ফুম্বুংনরি। মসিদি হৌজিক্কী য়াঙলবা কম্প্যুটরগী চক অসিগদি কয়া চান্নদ্রে নীংজে। ঙসি ঙসিমক ফোঙ-ফোঙ শানা থোক্লিবা ইস্যু অমা ওইনা ইশাগী কবুই ফুরুপপু ইচিল-ইনাও ওইরিবা খরনা রোংমৈ ফুরুপ ওইরসি হায়রকপা, কবুই হায়বসিদি অমোৎপা শেংবা, ফত্তবা মমিংনি বৃটিশনা থোনলম্বা মমিংনি/মীতৈনা থোনলম্বা মমিংনি। কবুই ফুরুপকী মমিংদি ইনপুই অমদি রোংমৈনা মহুৎ শিনখ্রে হায়জিন্দুনা তম্পাক্তা খুন্দারিবা মীয়ামদা উৎ চাইশিন্দুনা অরানবা ৱায়েল তৌদুনা অপঙবা শীরি। অসিগুম্বা ময়ামসি য়েংলুরগা/তারুরগা থম্মোয় কায়নিংঙাই ওইরি।

পুম্নমক ওইজরসনু, অওনবা মতমদা পুরকপা ওইরসনু মপূ মাগী লীলানি। ঐখোয় মপুগী ফম্বাক্তা চহী চাম্মা পুন্সিনি থাজদে। হিংলিঙৈদা অচুম্বা খরা তৌহৌসি/অচুম্বা খরা ঙাঙহৌসি/অচুম্বা খরা ইহৌসি। গান-ঙাস কুম্মৈনা লাকপদা ফুম্বংনরিবা পূম্নমক কোক্লসনু। নুংঙাইনদবা পেন্দবা কয়াসু কোকখ্রসনু। নুংঙাইবা ইরমদম অমগীদমক মপূ ইবুংঙো হাইপৌ রাগংদা থৌনিমিন্নরসি।

---

# কবুই ফুরুপকী গান-ঙাই

ডি: এল: কবুই

*গান-ঙাই* হায়িরবা কুম্মৈ অসি কবুই ফুরুপকী হরাও-কুম্মৈশিংগী মনুংদা পাখং লৈশাবীনা য়াম্না পামজনা হরাওজবা শিংথাবা য়াবা কুম্মৈ অমনি। গান-ঙাই অসিদা পাখং লৈশাবীদা নত্তে, অহল-লমন, মৌ, নুপী-অঙাং পূম্নমক্না খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈবা কুম্মৈ অমনি। চুম্না হরাও-তয়াম্বতা নত্তনা গান-ঙাই মনুংদগী লমচৎ-শাজৎ, হৌন-লোনচৎ খঙলকই অমদি মীগী থৌগল হৈতবা পাখং লৈশা কয়া গান-ঙাই মনুংদগী হৈরকই। মমা-মপানা ৱারকপা ঙমদবা পাখং লৈশা কয়া পাখং ফাল, লৈশা ফালদা ৱারক্তুনা লমচৎ কয়া চুমথোকপা ঙম্মী হায়নবা লৈ।

গান-ঙাই হরাওবা মনুংদা ‘লাগঙ’ লাই পুম্নমক্কী নিংথৌ লাইনিংথৌ য়াওনা হরাওই হায়না কবুই লাইনীং চৎপা কাঙলুপ্না থাজনৈ। মরম অদুনা হরাওরিঙৈ মনুংদা ঈরাৎ পুজা অমদি অতৈ লাই-তিনগী থৌরম তৌবা য়াদে। অদুগীসু মথক্তা পাখং লৈশাবীশিংনা নত্তবা ৱাখল, নত্তবা লমচৎ অমদি চেন-চোঙবা য়াদে। করিগুম্বা চেন-চোঙবা তারবদি চেল্লিবা অমদি লৈশা-লাকপশিংগী মথক্তা চৎনবী মতুংইন্না মতিক চাবা ৱারক কোংহল্লি। মরম অদুনা পাখং লৈশাবীশিংনা মদু ঙাক্লা চৎনৈ। অদুদসু নত্তনা ‘বানজা’ হনুবা অমদি ‘গানচং’ হনুবগী মথংদা লৈবা অহলশিং নত্তনা ময়ূমদা তূম্বা য়াদে। মখোয়শিংদি ময়ূমদা তূমজরবসু নুপা-নুপী য়ূম্বানবগী মরী লৈনদে, মশানা ঙাক্লা চৎপা ঙম্মী, মরম অদুনা ময়ূমদা তূম্বনি। মসি য়াম্না চেৎনা গান-ঙাইগী মনুংদা ঙাক্লা চৎনৈ। কনাগুম্বা ময়ূম পাল্লবা নুপা অমসুং পাখং অমনা পাখং ফালদুনা তূমদনা ময়ূমদা তূম্লবদি, নোং ঙাল্লগা নুপাশিংনা ময়ূমদা তূম্বগী লক্লা ঈশৈ শক্তুনা চৎকনি। মসিবু কবুইনা ‘কাইজিপ লাওমৈ’ হায়না খঙনৈ। চৎনবী মতুংইন্না কোংফম থোকপা কোংহল্লি। মসি অতোপ্পা খুন্দগী লাকপা নুপাদা ফাওবা তৌই। মসি য়াম্না ইকায়নৈ। অরোইবা নুমীৎতা ‘রাং-পম্মৈ’ থৌরমগীদমক খনগৎপা মতমদা হায়রিবা মীওইশিং অসি য়াওবা য়াদে।



অদুদসু নত্তনা পাখং ফালগী ইমুংদা নুপী মীরোলবী য়াওরবসু পাখং অমত্তা হায়রিবা ‘রাং-পম্মৈ’ থৌরম অসি তৌবা য়াদে। ময়ূম পাল্লবা নুপাশিংগী মরক্তা খনগৎকনি। মসিনা তাকপদি গান-ঙাইগী থৌরম অসি য়াম্না লুবা থৌরম ঙাক্তনি। মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক য়াম্না পাক চাউনা লৈখ্রে।

কবুইগী ৱারীদা মৈহৌরোন্দগী মৈ অসি তাইবঙ মীনা শীজিন্নদুনা লাকচরবসু মৈথাং লৌদুনা শীজিন্নরম্মী। মৈ পুথোকপা হৈরমদে। মৈ অসি লাইগী পোৎনি, লাইমকনি হায়না লৌই। মৈ মুৎখ্রবদি ইমুং অমদগী নিদুনা লৌরুরগা শীজিন্নবসি চৎনরম্মী। মৈ অসি মীওইবনা হিংবদা চঙদবা য়াদবা য়াম্না মরুওইবা পোৎ অমা ওইবনা কনাগুম্বা অমনা মৈ পীয়ু হায়বা নিররবদি মৈ লৈনা লৈনা পীদবা তৌহৈদে হায়নবা লৈ। কবুইগী অঙাংশিংনা শান্নবদা মৈ নিবগী ৱাঙাঙ ৱাতা শীজিন্নদুনা শান্নবা মশান্না অমা লৈ। মসিসু অচৌবা খুদম অমনি।

কবুইনা থাজে, মীগা লাইগা পুন্না লৈমিন্নরম্নদগী মীগা লাইগা খাইদোক্লরে। অদুবু মালেম অসিদা লৈবা জীব পূম্নমক্তি লৈমিন্নরি, লোনসু অমত্তদা খঙনরি। অদুবু লাগঙ লাইনিংথৌনা জীবশিং অসি মাগী মাগী কাঙলুপ কাঙলুপ তোখায় তোখায়না লৈহনবা পাম্মী। মরম অদুনা লাগঙ লাইনিংথৌনা লাংওনলক্তুনা তইবঙ মীবু লমজিং লমতাকপীরম্লবা মতুং মৈ অসি কনানা শীজিন্নগদগে হায়না মত লৌখি। মদুদা মৈ পুথোকপা ঙম্বনা মৈ শীজিন্নরসনু হায়বা য়ানরে। মরম অদুনা জীব পূম্নমক নমিৎ লোইনা খুমজিল্লো হায়না খুমজিনহল্লে। অদুগা মৈ লোইনা লোৎশিনখ্রে। জীব অতৈনা মৈ পুথোক্লবা হোৎনখি অদুবু মায় পাকখিদ্রে। মীগা কৈগাদা ঙাইরে। কৈনা মৈবা হান্না চিংই মৈখু ফাওবদি থোকই অদুবু মৈদি পুথোকপা ঙমদনা তোকখ্রে। মথংদা মীওইবনা মৈবা চিংদুনা মৈ অনৌবা পুথোকপা ঙমখি। মদুদগীদি মীওইবা নত্তনা জিব পূম্নমক মৈ য়াওদনা হিংবা ঙম্নবা, ঈংদনবা মৈতাল অহিংবা অমমম লোইনা পীজরে অদুগা চৎহনখ্রে। মসিগী ৱারী য়াম্না শাংনা লৈখ্রে। মীওইবনা অনৌবা মৈ পুথোকপা ঙম্বা অদুদা ঙমখৈ লৈতনা হরাওখি। মীওইবনা মৈ পুথোকপা ঙম্নমদ্রবদি ঙসি ঐখোয়না মৈদগী অঙকপা ফংনা কান্নবা ফংলিবসি ফংলগ্রোইদবনি। অদুনা মৈ শীজিন্নবা ফংবগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা হরাওবা কুম্মৈ অদুগা গান-ঙাই হায়না কৌই। গান হায়বদি অঙানবা হায়বনি, ঙাই হায়বদি কুম্মৈ হায়বনি।

---

# ‘লৈইদুগী ৱাংমদা লৈচিল অমসুং ঐ’

## প্রেমানন্দ নোংথোম্বম

মমি ৱারী











*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*